# নেসনেল দিমোক্রেটিক এলাইন্সনা ওর্ফানশিংগী যুম ৩০,০০০ শাখ্রে ঃ মেনকা গান্ধি



ইন্দিয়া গেটতা পাঙথোকপা এন দি এগী মেগা সোদা শরুক য়াখিবা মেনকা গান্ধি (ময়াই) অমসুং বোল্লিবুদকী ষ্টারশিং

*ন্যু দিল্লি, মে ২৮ঃ*

নেসনেল দিমোক্রেটিক এলাইন্স (এন দি এ)না ওর্ফানশিংগী যুম লিশিং ৩০ শাখ্রে হায়না ঙসি এন দি এগী ইন্দিয়া গেটতা পাঙথোকপা মেগা সোদা ফোঙদোকখ্রে।

অনৌবা অয়ুক হায়না মমিং থোন্দুনা দিল্লিগী ইন্দিয়া গেটতা পুং ৫ চুপ্পা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক্লা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিং ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসি মালেমগী লৈবাক অতৈগা য়েংনবদা খূৎলৈ থুনা চাওখৎলক্লি। ইন্দিয়ানা হেন্না ফবা থবকশিং তৌবা ঙমগনি থাজে।

মালেমগী লৈবাক অতৈনা য়েংশিল্লকপদা লৈবাক অসিনা চাওখৎতুনা লৈহনবদা খুদোংচাদবা অমা থেংনরকপা য়াই। থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর য়াওগনি হায়বগী থাজবা লৈখি। তোঙান-তোঙানবা কেবিনেট মিনিষ্টর কয়া পেনেল দিসকসন অদুদা শরুক য়াদুনা মখোয়না পায়রিবা লমশিংদা লাকপা চাওখৎপশিংগী মতাংদা শন্দোকপা ৱাফম ফোঙদোক্লখি।

মমাঙগী লৈঙাক্লা নিরভয়া ফন্দ শেমগৎলম্মী। অদুম ওইনমক শেল অমত্তা শীজিন্নরমখিদে। হৌজিক লৈঙাক অসিনা প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলি। লোয়ননা খূৎমাং চাওশিন্না ইনপ্লিমেন্ট তৌরি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখ্রে।

নহা ওইরিবা পার্লিয়ামেন্টয়ানশিংগী অহানবা মীফমদা শরুক য়ারদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজ্য বর্ধন রাথোরনা হায়, ঐখোয়গী কেবিনেটতা খ্বাইদগী নহা ওইরিবা মীওই অমা য়াওই হায়বা তারবদি মদু নরেন্দ্র মোদি ওইগনি। এক্টর অমিতাবচনন বেতি বচাও, বেদি বরাও স্কিমগী হোস ওইরি। ঐখোয়গী চৎনবীদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা অমদি নুপীশিংবু স্প্রিচুয়েলগী মফম অমদা লৈহনবা অসিনি। ঐখোয়গী ধর্ম্মা অসিদসু নুপীশিংগী অৱাংবা ফিদা লৈ হায়খি।

মহৈরোইশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা ৱাহং পাউহংগী থৌরমদা করম তৌনা বিক বি ওইরকখিবনো হায়না হংলকপা ৱাহং অমদা অমিতাবচননা হায়, বিক বি হায়বা মিং অসি মীয়াম্না মেদিয়াগী খুত্থাংদা মঙোন্দা পীবা মিংনি। হৌজিক য়েংউ ঐহাক্লা ময়াম অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী পীকই হায়খি।

বোল্লিবুদকী ষ্টার কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি। লোয়ননা এন দি এনা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট কয়াগী মতাংদসু ৱা ঙাংখি। বিদ্যাবালননা স্বাচ্চ ভারত, ক্লিন ইন্দিয়া কেম্পেনগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

অনিল কাপুরদা নহারোলশিংদা শক্তি পীবা হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংখি। রবিনা তন্দননা ৱুমেন রাইটস এন্দ দিভলপমেন্টকী মতাংদা ৱা ঙাংখি। ইন্টর্টেন্টমেন্টকী মতমদা সিল্লোংগী শকখঙনরবা কৈলাস খের অমসুং ইন্দিয়ান আইদোল চাইল্ড ষ্টার নহিতনা অখন্নবা পার্ফোমেন্স কয়া উৎখি।

নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্লা চহী ২ মপুং ফারকপগী থিমদা শেন্বা ঈশৈ ‘মেরা দেশ বাদল রহা হে’ হায়বা ঈশৈ শক্তুনা থৌরম অদু হৌদোকখি। নাকল অমরোমদা কংগ্রেস পার্টিনা বি জে পিনা ৱাশকখিবশিং থুগাইরে। ফেল ওইবা কয়ানা মখোয়বু ৱাহল্লবনি হায়খি। হৌখিবা চহী ২দা মীয়াম্না উরিবদি মখোয়না ৱাশকখিবশিং অদু করিনো। মদু থবক ওইনা কদায় ফাওবা পাঙথোকপা ঙমখ্রবগে। ওইরিবা ফিভম অসি অৱাবগী মশক্কি হায়রি।

# মনিলাদা পাউমী অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলপ্লে

*মনিলা, মে ২৮ঃ*

ফিলিপিনগী কোনুং মনিলাদা ক্রাইম জর্নেলিষ্ট অমা নোংম্নৌ কাপ্পুনা হাৎলপ্লে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফিলিপিন্সনা মেদিয়াগী লমদা থবক তৌবা মীওই কয়া হাৎখিবগী লংলা-লংজিন খঙবা ঙমদবা কয়া লৈরি। এলেক্স বালকোবা (৫৬) ঙরাং ময়াই থংবা মনিলাদা লৈবা ঘারী শেম্ফম দুকান অমগী মমাঙদা মহাক্কী ইমুং মনুংগা লেপ্লিঙৈদা এটেক চখরমখিবনি হায়না নেসনেল প্রেস ক্লবকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নেসনেল প্রেস ক্লবকী প্রসিদেন্ট পাওল গুতিরেজনা ফোঙদোরকখিবদা পিপলস ব্রিগাদা টেব্লোইটকী পাউমী বালকোবদা হন্দক এটেক চখরম্বা অসি থারগা ফিলিপিন্সতা ইং ২০১০দগী পাউমী হাৎখিবা মশিং ৩৪ শুখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা আইনগী থোংনা চিংনবা অমত্তা পুথোকপা ঙমদ্রি। বালকোবানা দুকান অদুগী মমাঙদা লৈরিঙৈদা মীওই অনীনা নোংমৈনা কাপ্পল্লবা মতুং মোটোর সাইকল অমদা তোংদুনা মফম অদুদগী নাম্থোকখি। মমান্নবা পাউমীশিংনা বালকোবাবু হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মহাক শিরে হায়না লাউথোরকখি।

বালকোবা নোংম্নৌ কাপ্পুনা হাৎলম্বনি হায়বা কনফার্ম তৌরে হায়না মনিলাল পুলিসনা ফোঙদোরক্লি। অদুম ওইনমক অকুপ্পা ৱারোলদি ফোঙদোকখিদে।

গুতিরেজনা হায়, পুলিসনা মীহাৎ অদুগী মতাংদা থিগৎকনি হায়বগী থাজবা পীগদবনি। অতোপ্পা পাউমীশিংনা ফোঙদোরকখিবদা বালকোবা শকখঙনরবা পিপসল ব্রিগাদাগী রিপোর্টর অমসুং কলমনিষ্টনি।

ইং ১৯৯০দগী হৌনা বালকোবানা মনিলা পুলিসকী মতাংদা পাউ কয়া ইবা হৌরকখি। বালকোবা চহী অসিগী মনুংদা ফিলিপন্সতা হাৎলম্বা অনীশুবা পাউমীনি। ইং ২০১০দগী পারগদি পাউমী হাৎলম্বগী থৌদোক ৩৪রক থোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট বেনিগনো একুইনোনা লৈবাক অদুদা শক্তি পায়রকপদগী পাউমী কয়া হাৎলম্বা লৈখ্রে হায়না নেসনেল য়ুনিয়ন ওফ জর্নেলিষ্টনা ফোঙদোরক্লি।



মনিলাদা নোংম্নৌ কাপ্লম্লবা পাউমী লায়েংননবা পুবা


GAS TODAY

THOUBAL GAS
Booking upto .......03/03/2016
Valid from ............02/03/2016
Stk.................................306
Timing ........... 7.00 to 10 am
Delivery at 1 k Sanglen
Loukham Leirak, Thoubal

ATHOKPAM INDANE, WANGJING & KHONGJOM
Booking upto ...... 05/05/2016
Valid from ........... 28/04/2016
Stk...........612 DNSC (DBTL)
Timing........7.30 to 10.00 am
SUBMIT AADHAAR CARD


# কেনেলদা বস তাশিনবদা ৯ শীরে

*ধাকা, মে ২৮ঃ*

বঙ্গলাদেশকী ধাকা-বরিসাল হায়ৱেদা লৈবা কেনেল অমদা মীওই কয়া পুদুনা লাকপা বস অমা তাশিনখিবদা য়ামদ্রবদা ৯ শীরে। অদুগা ৩০না অশোক অপন নংখ্রে।

থৌদোক অদু ঙরাং মদারিপুরগী সমাদর লমদমদা থোকখিবনি। মী ৬০ রোম পুদুনা লাকপা বস অদুগী মমাঙ থংবা টায়র অমা সন্বাদর থোংয়ৌরকপদা পোকখায়বদগী বস অদু থোংদগী নাম্থোক্তুনা কেনেলদা তাশিনখিবনি।

বস অদুদা তোংলকপা মীওই ৫ মফম অদুদা শীখি। ফায়র সার্ভিস অমসুং পুলিসনা বস মনুংদগী অশিবা হকচাং অহুম লৌথোকপা ঙমখিবগা লোয়ননা লৈখিদবা মশিং ৮ শুরকখি। অদুগা মীওই অমনা হোস্পিটালদা পুবগী লম্বীদা শীখি হায়না মদারিপুর সদর পুলিসকী ইন চার্জ জিয়াৱুন মোর্সেকনা ফোঙদোকপা ৱাফম অমা ধাকা ত্রিভুননা কোট তৌরক্লি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই ৪গী মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। মখোয়গী মনুংদা চহী ৪০ রোম শুরবী নুপী অমা য়াওরি। অদুগা বস অদুগী হেল্ফপর অব্দুল রাসিটসু খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা শীখি। পাউগী লিখুল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা চহী ৫০দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওই খরসু য়াওরি। গারী অদুগী ড্রাইভরসু লৈখ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

# টর্কিদা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট ১০৪ এয়ারষ্ট্রাইক চখদুনা হাৎখ্রে

*সানা, মে ২৮ঃ*

য়ু এসনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবুনা টর্কি আর্টিলরিগা খুৎশম্নদুনা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট ১০৪ হাৎখ্রে হায়না টর্কি মিলিটরিনা ঙসি ফোঙদোরক্ল। ষ্টেটনা চল্লাইবা অনাদোলু এজেন্সিনা ফোঙদোরকখিবদা ইরাইনুমিৎকী অথেংবদগী হৌনা টর্কিগী সহর কিলিসতা রোকেট কাপশিন্দুনা ষ্ট্রাইক চখখি।

এয়ারষ্ট্রাইক অমসুং আর্টিলরি কাপশিনবদা আই এসকী হেদ ক্বার্টর ওইনা শীজিন্নবা বিল্ডিং ৭ মাংহন তাকহনখি। পাউ অদু চপ চানা চুম্লব্রা হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। টর্কি ওথোরিটিনা সিরিয়া অমসুং টর্কিগী মফম খরাদ চখখিবা এয়ারষ্ট্রাইক অদুদা কয়া য়াম্না অশোক অপন নংখ্রবগে হায়বা চপ চানা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

থাংজ নুমিৎতা টর্কি মিলিটরিনা কাপখিবা রোকেট অনী ঙমখৈগী গাজিয়ানটেপ প্রোভিন্সতা লৈবা ওগুজেলি সহর মনাক্কী লৌবুক অমদা তাদুনা পোকখায়খি।

থৌদোক অদুদদি অশোক অপন নৎত্রগা মাংহন তাকহনখিবা লৈত্রে। ঙমখৈ লান্না সিরিয়াদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপদা কিলিস সহরদা মীওই ২১ হাৎখ্রে। অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

টর্কি ওথোরিটিনা আই এসকী মথক্তঃ মরাল শীরদুনা হায়, সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা আই এস মিলিটেন্ট কয়া লৈরি। আই এসনা মখোয়গী লৈফমদগী শেল কাপশিল্লকপগী চা চাবা পাউখুম পীরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# য়ু এসকী দল্লীয়ু দল্লীয়ু -২ এয়ারক্রাফ হদসন তুরেলদা তাশিনখ্রে

*ন্যু য়োক, মে ২৮ঃ*

অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতমদগী লৈরক্লবা দল্লীয়ু দল্লীয়ু-২ এয়ারক্রাফ ন্যু য়োক অমসুং ন্যু জর্সিগী লোন্নবদা চেনবা হদসন তুরেলদা ঙসি কায়দুনা তাশিনখ্রে।

মী অমখক্তমক তোংবা য়াবা পি ৪৭ থন্দর বোদ অদু জার্জ ৱাশিংতন ব্রিজদগী খা রোমদা কিলোমিটর ২রোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা তাশিনখি। থি-হুম্বগী থবক চখবদা ঈরুপ্পশিংনা অশিবা হকচাং অমা ফংবা ঙম্লে। মদু এয়ারক্রাফ অদুগী পোইলোটকী হকচাং ওইগনি হায়রি।

এয়ারক্রাফ অদু কায়খিবগী মরম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদু ওইনমক ইঞ্জিন ফেল ওইরকপদগী কায়খিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

ন্যু য়োক সহরগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা ফার্মিংদেল এয়ার ফিলদগী এরোপ্লেন অহুম পায়খৎখিবগী মনুংদা খুদোংথিংবা নংখ্রবা প্লেন অদুসু য়াওখিবনি। অমেরিকা এয়ার পৱার ম্যুজিয়মগী ৭৫শুবা কুমওন থৌরমগী ভিদিও সুট্টিং অমগীদমক প্লেনশিং অদু পায়খৎখিবনি। অতোপ্পা এয়ারক্রাফ অনী অদুদি ফোটোগ্রাফ কয়া লৌরবা মতুং অশোয় অঙাম য়াওদনা এয়ারফিলদা হল্লকখ্রে হায়রি।

# ভি নরায়নসামীনা পুদুচেরিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি



পুদুচেরিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরগদবা ভি নরায়নসামী (ওই)

চীফ মিনিষ্টরগী ফম অদুগীদমক অকনবা লম্বা তৌনখিবা মীওইশিংগী মনুংদা পুদুচেরি প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এ নমাসিভয়ম অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ভি বাইথিলিঙ্গম য়াওখি।

মখোয়দা নত্তনা হান্নগী ৱেফিয়ার মিনিষ্টর এম চন্দাসামীসু ফম অদু তান্নবা য়াওখি। হিরম অদুগী মতাংদা নরায়নসামী অমসুং নমাসিভয়মনা কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধি উন্নখিবসু লৈখি হায়রি।

*পোন্দুচেরি, মে ২৮ঃ*

পুদুচেরিগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইননবা কংগ্রেসনা ভি নরায়নসামী খনখ্রে। য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুদা চীফ মিনিষ্টর ওইগদবা মীওই খনবদা লোকেল পার্টি য়ুনিট অদুদা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি।

মদুনা মরম ওইরগা সরকার শেম্বদা মতম থেংথহনখি। নরায়নসামী য়ু পি এ - ২ সরকারগী মতমদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা থৌ পুরম্বা মীওইনি। পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্সকী এম ও এস ওইনসু থৌ পুরমখি।

হন্দক মে থাদা পাঙথোকখিবা এসেমব্লী মীখলদা মহাক মীরেপ ওইখি। হৌজিক মরক্কী মীখল পাঙথোকপা দরকার ওইরক্লি। নৌনা এসেমব্লী মীখলদা পায় পাক্লক্লবা কংগ্রেসকী লুচিংবা মুকুল ৱাসনিক অমসুং সৈলাদিক্সিত য়াওবা মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্লবা মতুং নরায়নসামীবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা খনখি।

# হিজবুল কম্মান্দর সরেন্দর তৌখ্রে

*শ্রীনগর, মে ২৮ঃ*

হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী কম্মান্দর ঙসি কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্তা খূৎলায় থাদোক্তুনা চংজরকখ্রে। কাশ্মির তম্পাক্তা অকনবা লাল হৌরিবা মিলিটেন্টশিংদা লুচিংবা অদুনা সরেন্দর তৌরকখিবা অসিনা অচৌবা চৈফু অমা পীরগনি হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

বুরহান ৱানিগা নক্লবা টারিক পন্দিট অমসুং হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী কম্মান্দর ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সতা খূৎলায় থাদোক্তুনা চংজরকখ্রে। মিলিটেন্টশিংগী কম্মান্দর অদু ষ্টেট অদুদা এন্টি মিলিটেন্সি ওপরেন্সনগীদমক মথৌ তৌবা ৫৫শুবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলসতা চংজরকখিবনি।

পন্দিট ৱানিগা নক্লনা খূৎশু খূৎলায় কয়া পায়দুনা কাপ্পা ফোটো কয়া সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকখিবা কয়া লৈখি। থা ৬কী মমাঙদা পুলৱামা দিষ্ট্রিক্তগী চহী ২২শুরবা বুরহান ৱানে লালহৌ লুপ অদুগীদমক মহৈরোই কয়া লৌশিনবদা অখন্নবা থবক তৌবা মীওই ওইরকখি।

থৌদোক অদুগী মতুংদগী মহাক সিক্যুরিটি ফোর্সনা মহাক ফাননবা থিরিবনি। মহাক ফাবা নৎত্রগা হাৎপা ঙম্বদা লুপা লাক্ষ ১০ পীগনি হায়না লাউথোখ্রবা মীশক অমনি হায়রি।

# আইন কায়না পৈশা থমজিনবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি ঃ অরুন জেটলি

*ন্যু দিল্লি, মে ২৮ঃ*

ব্লেক মনি থম্বা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়না ৱার্নিং তৌরদুনা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা পানমা পেপরদা মমিং পল্লবা মীওইশিং আইন কায়না শেল থৈদোকপগী প্রমান ফংলবদি আইগী ওইবা থবক পায়খৎকনি।

পানমা কেসতা চেন্নবশিংগী একাউন্দশিংদা আইন কায়না পৈশা য়াওরম্বা থেংনবশিং চপ চাবা থবক লৌখৎকনি হায়না মোদি সরকারনা চহী ২ মপুং ফারকপগী পাঙথোকপা থৌরমদা পাঙথোকখ্রে।

লিগ ওইরকপা পানমা পেপরদা ইন্দিয়া মচা ১০০ রোমগী মিং য়াওরি। মখোয় ওপসোর দেক্স হেবনদা একাউন্দ লৈ। জেটলিনা মখা তানা হায়, মমাঙ ফিসকেল এয়ারদা লৈঙাক অসিনা ব্লেক মনি লৈবাক অসিদা অমুক পুরক্লবা হোৎনখি।

হৌজিক লৈবাক মনুংদা লৈবা ব্লেক মনিগী লমদসু মীৎয়েং চংলি। স্কিম অসিগী মখাদা হায়দোক্তুনা অমত্তা লোৎশিন্দুনা থল্লম্বশিং চহী ১০ ফাওবা জেলদা লৈবগী দন্দি পীবা য়াই।

ব্লেক মনি পুরকপা তারবদি শেনফম অদু লুপা ক্রোর লিশিং ৪ রোম ওইবা য়াই। শেল-থুমগী মতাংদা হংলকপা মতাংদা জেটলিনা হায়, হন্দক্তী মোন্সুনগী ফিভম ফগদবা অসিনা চাওখৎ থৌরাংদা হেন্না ফহনবা ঙমগনি।

মালেমগী ওইবা শেল-থুমগী ফিভমগী মতাংদা লুচিংবা অদুনা হায়, লৈবাক অসিনা হৌজিক চাদ ৮-৯গী চাংদা এচিভ তৌবা ঙমগনি। অদুম ওইনমক মালেমগী ওইবা ইকোমি শোকথরকপা অসিনা চপ চাবা টার্গেট ফংবদা খুদোংচাহন্দবা য়াই হায়খি।

# চোইনা য়োনবা চুরুট, বেরি, হিদাক মনা অথিংবা থমখ্রে

*শ্রীনগর, মে ২৮ঃ*

জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা চোইনা য়োনবা চুরুট, বেরি অমসুং হিদাক মনাগী পোৎলমশিং খুদত্তঃগী অথিংবা থম্লে। মদু লমদম অদুগী নহা ওইরিবা মীওইশিংনা অদুগুম্বা পোৎলমশিং শীজিন্নবদা পুক্লিং থৌগৎতনবনি হায়না জে এন কে লৈঙাক্লা ফোঙদোরক্লি।

হেল্থ এন্দ মেদিকেল এদুকেসননা ঙরাং থোকখিবা য়াথং অমগী মতুং ইন্না ষ্টেট অদুদা চোইনা য়োনবা চুরুট, বেরি অমসুং হিদাক মনাগী পোত্থোকশিং অথিংবা থম্লে। অথিংবা অদু খুদক্তগী চৎনবা হৌগদবনি হায়রি।

হিদাক মনাগী পোত্থোক য়োনবা, এদভর্টাইজ তৌবা অমসুং রিগুলেসন ওফ ত্রেদ এন্দ কম্মর্স এক্ট ইং ২০০৩গী মখাদা অথিংবা অদু থম্মনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাং লোই অমনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অদুদা চখখিবা গ্লোবেল এদল্থ টোবাকো সর্ভে ইং ২০১০গী মতুং ইন্না জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা চুরুট থকপগী চাং অসি লৈবাক্কী ওইবা চাংদগী হেল্লি। মৈখু অমসুং হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নবদা পুক্লিং থৌগৎতনবগী পান্দমদা অথিংবা অদু থম্বনি।

সেন্টর অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টনা ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসনশিংগা লোয়ননা মৈখু অমদি হিদাক মনা শীজিন্নবদা মাংহনবশিংগী মতাংদা অকনবা এৱায়ারনেস কম্পেন কয়াসু চখরি। অদুগুম্বা পোৎলমশিং শীজিন্নবদা কেন্সর অমসুং স্বরগী লায়না কয়া পোকহল্লি হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-603**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 1 | | | |
| 6 | 1 | | 3 | 9 | | | | 5 |
| | | | | 4 | 2 | 3 | 1 | |
| | | 6 | 7 | | | | 4 | |
| 1 | | 8 | | 3 | | 2 | | |
| | 5 | | 1 | 6 | | | 9 | 3 |
| 4 | | | | | | | | |
| 3 | | | | | | 5 | 2 | 4 |
| 5 | | | 8 | 7 | 4 | | 3 | 1 |

সনা-সুদোকু- ৬০২ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 9 | 4 | 1 | 3 | 5 | 2 | 8 | 7 |
| 5 | 3 | 7 | 4 | 8 | 2 | 1 | 6 | 9 |
| 1 | 2 | 8 | 7 | 9 | 6 | 5 | 4 | 3 |
| 8 | 6 | 5 | 2 | 4 | 3 | 7 | 9 | 1 |
| 4 | 7 | 2 | 6 | 1 | 9 | 8 | 3 | 5 |
| 9 | 1 | 3 | 5 | 7 | 8 | 6 | 2 | 4 |
| 7 | 5 | 9 | 8 | 6 | 4 | 3 | 1 | 2 |
| 3 | 8 | 1 | 9 | 2 | 7 | 4 | 5 | 6 |
| 2 | 4 | 6 | 3 | 5 | 1 | 9 | 7 | 8 |











